## ৱারী মচা

# সাহিত্য ভুষণগী কোকয়েৎ

*– এম নবকিশোর সিংহ–*

**কবিগী** লোয়নবীসি লাইরিক হৈতে, খূৎ–শা হৈবগী মহৈদি মখূত্তা মীৎ পাল্লি। জ্ঞানদি মীৎ তাংবনা লৈকাই কোয়বগুম্বনি, কাউগন্দে। লাইরিক্কা হৈরম্নবদি কবিসি ৱারমগনি, মান্নবা অধিকার তাল্লকপদা। মশামক্তি কবিনা হায়–“ঐমক্নদি হায়নিংদ্রে, য়াবা জাৎনি, মচাশিংদা য়েংবিয়ু।” লাইরিক হৈতবনিনা কবিনা চেজেৎ অমফাওবা মাঙহন্দে, চেকশিন্না পাল্লি, চেজেত্তদি, শেল–থুমগীদি খঙদ্রে। মপুরোইবদা চেজেৎ খূদিং হুন্দোকপা য়াব্রা হংবসু মী কৌবনিনা হঙ্গোইজদুনা পুল্লপ পুল্লপ থুপচিন্দুনা থমজে। থিরকপা কান্দা পুথোক্কু না পূন্না য়েংহল্লি। মপুরোইবনা থিরিবদু হেক্তা য়াওরম্মী। লোয়নবী হরাওজে। লাইরিক হৈত্রবসু খঞ্জে– ‘খঙঙেদনা’ অতে চেশিংদু য়ারে মাঙহনখ্রো য়াথং ফংবগা হুন্দোকখিবা ঙাক্লি। কবিনা মাঙদ্রে, খঙবদগী, ইমুং মাঙ্গোন, লৈরু–লৈরুবা মফমদা, শৈরেং ৱারেং, মতেক মরাং, ই–ইদুনা ইচায় চায়না পংথমদা থম্মী। কয়াদা মনীং তমজখ্রবা কবিনো লাইরিক হৈতবী লৌরুবদগী। অমরোমদা লোয়নবীনা কপ্লি ‘করিনুংগী লাইরিক তমহৌদবনো?’

কবিসি হন্দক সাহিত্যভুষণ উপাধি পীরে লাউথোকখ্রে, থৌরমদি পাঙথোক্ত্রি। থৌরম নুমিত্তা ৱাহৈ অমা অনীদং থম্মু হায়বিরক্লবদি করি হায়সিগে ৱাখন্না মঙা তরুক্লিসি তুম্বক তুম্বক মচি মচিদা ৱাখল য়াম্না খন্ন–খন্না লৈবা, লোয়নবীনা উই। কবিনা ৱাফমসি লোয়নবীগা তান্নগদবসু, লাইরিক হৈতবীনা হংঙুরবসু লাইরিক হৈতবী নঙনা খঙবা পোৎ নত্তে, খৎলরনু চখোকখ্রো হেক্তা হায়। মসিদনি লোয়নবীনা থম্মোয় কায়রিবা। মপুরোইবনি মখা তাবা ঙমজদে। থম্মোয়দদি অনুতাপ্না চক–চক। অমুকসু চাউথোকচৈ। লাইরিক হৈতবগী ইবা–পাবা ঙমদবগী ৱানি। ৱাখলদদি লোয়নবীনা খঞ্জে ঐখোয়সু উতোল য়ৌবা জাৎনি। লাইরিক হৈতবগীসু ৱাখলগী কোক পাল্লি খঙবিদবা কবিসি, মমুৎ তাদ্রি, সোমদনি কারল লাক্কদবা ৱাৎলি। কবিনা পিশুম শুক্তক তৌবদা শুকপগী মরম হোদ্রোং হোনা উবা ঙম্বা লোয়নবীনি খঙবিবা ফৈ।

কবিনা ৱাখল ফুম্বংনরিবা অসিগী মরমদা লোয়নবী কোক থাদে। জাৎ জাৎকী ৱাখল খল্লি– ‘আ ইপামদা লৈরুরসিরা’ অসি হেক য়ৌই। অঙকপনি, কবিগী ৱাখলগা লোয়নবীগা, অনীসি পোল অনী চিংনবগুম মাগী মাগী ঙমখৈদা চিংনদুনা লৈবা ঙসি মঙানি তরুক্লি শুরে।

কবিনা খল্লি, মহৌশাগী মতৌগুম উপাধি ফংবা নুমিৎসিদা কোকয়েৎ শোয়দনা উপ্পরনি, মরুপ মপাংশিংনা লৈ পরেং ১ / ২ সু খুদোল তৌবীরবা য়াই, অদুনদি কোকয়েৎকী মরমদা খরদি ঙাঙবা ফৈ। করিগুম্বা ৱা ঙাংবা তারবদি অদুনদি–কোকয়েৎসি পাখঙবগী মতমদগী লৈরক্লে হায়নৈকো। লাইগী কোকয়েৎ, মীগী কোকয়েৎ, নিংথৌ, মন্ত্রীগী কোকয়েৎ। জাতিশিংগীসু–পঞ্জাবী, রাজপুতকী কোকয়েৎ। মী, লাইগী মতুং ইন্না মমিংসু তোঙাল্লি–নিংথৌদনা লুহুপ, লাইদনা কোকথোল, অদুদি ঐঙোন্দা উপকদৌরিবা অসিনা সাহিত্যগী কোকয়েৎ তারে। নুংগী আর্থদনা করি তারে–ইকায়খুম্নবা উৎপা উপাধি ফংবগী খুদম তারে। সাহিত্যনা কোকপু পূজা তৌবনি। চুম্মী, কোক্ননি ঐখোয়না জীবা পূম্নমক্কী মথক্তা লৈরিবসি। কোক্তা ফি কুপ্লগা ইকায় খুম্নবা ফোঙদোকই, মনেম–মকু, মতৈদা মৌনা মকোক খুম্নৈ। লাই খুরুম্বদা কোকয়েৎ লৌথোক্লে, ঐ কোকয়েৎ অমুক্তা উপত্রিকো–হুম উপখ্রেনা লুহোংবদনি। অদুদদি ৱাখল নুংঙাইহল্লিকো। হন্দক্কী কোকয়েৎ অসিদি ৱাখল য়ামনা খলহল্লিদা। ঐঙোন্দদি লাইমিং লৌবগুম্বনি। ঙাওশন্নদুনা পংঙাং ঙাঙবা য়াদ্রে। হুম ঙাঙবা লাই লুরিবদি মীনা করি হায়খিগদগে অসিনি। ৱাখলশিংসিদা নোংমা নীনিসি কবি লূপ্তুনা লৈ, ৱা ঙাংদে লোয়নবীদা থোয়দোক্না ৱারৌবগী ৱাদি লৈতে।

নুপানা ৱাসি ইঙাং ঙাঙদনা লৈখৎলকপসি, লৈমিন্নৈ হায়দে, লোয়নবীদদি অওনবা ৱাখল অমা ফাওরকইকো। কবিগী লোয়নবীদু কুইশিল্লক্ত্রিঙৈসিদা মাইবীদা চৎলুসিরা খল্লকই। নোংমা নীনিদা য়েংখিসিরা খল্লিঙৈদা, ঙসিদি সাহিত্যগী উপাধি পীবা নুমিত্তু য়ৌরে।

নোংঙাল্লে কবি স্বর য়েংই নাতোন্দা। অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা ইরুজৈ। মরম খঙদবনা লোয়নবীদু মাগী মতৌসিদা মথৱায় চাক্লদুনা য়েনখাদা কোল ফেংলম্বদগী মখূৎ ফ্রং ফ্রং কম্থোক্লগা, মরেংজুমদা য়াল্লম্বা খূদৈ মতেক্কু না মথবাক্তা চাউশেৎ শেৎলি, ফনেক্কুনা খোয়খা ওইনা ওইথংবা পুকচেপ্তা মখোঙ কাঙতক, মশা ইনখৎলপ চরৈ য়েপ্পী। শাওমনবদগী চরৈদু থবী য়েপ্পগুম য়েপখিবদা, ফনেক ফিদোলদু শেপকৎলকপনা, ওইথংবা খূকউ ফাওবা ফৈজে চৎখৎলকই। খোঙ্কাপ মঙা–তরা থাংলক্লগা, ইরুজবা কারকপগী বৃন্দা মচুম থক্লিবা কবিদা –‘কদায় চৎপীগদোইনো?’ ব্যববহার কায়দে লোয়নবী, খোঞ্জেলদি খরা নিকখিবরা। লোয়নবীগী শকফম ফিশেত্তি কবিনা উখিদে।

কবিনা থোয়না য়েংলুবা তৌদনা পোঙতক্না খুল্লকই – ‘সাহিত্যগী থৌরম লৈ’ মখা তাদে, কবিনা হোরেল ঙাংগদবদু কাউখিনি হায়দুনা। মচিন্দি মুরুম মুরুম শোনবা লেপ্তে ওন্তোকপা কবিনি লোয়নবা ৱাখ্রবা।

লোয়নবীসু মখা তাদে, শাওবদি খরা হেনবগুম তৌখি। লোয়নবীনা খঁন্থে মাগীসি ঐগী দোষ থিবা মাল্লি। মানা দোষ পীবা ঙমদনবা লোয়নবী থবক য়াংখৎলকই। হেক্তা ইরুজৈ মনুংশঙদা, চাক তনথোং থোংই। ঙম্মীদা নুপী, থোংবা থাকপদদি নুপানা শিংনবা য়াবা নত্তে। চফু মহী মরাং কায়হল্লি, আলু ঙারী খামেন মোরোক ঙানশিল্লি। চফু মথক্তু খয়োম লাকপদু ঙাইরে। ঙারুবাক্তগী ঙামু খুবাম অমা থোক তকখায়রগা চফু মহীদুগা এঞ্জাং তনশেম শেম্মী, চাক থাংদোকই। কবিদুসু হাওই হায়তে হায়দে, ওন্থোকপা ভাবনি। কবিনা চারিঙৈদা লোয়নবীনা ফুরিৎ খোঙগ্রাও পুথোকই। খোঙউপ্তু ফিনানা ফৎ–ফৎ, মচিন্না ফু, ফু।

ওন্থোকপনি নুপীগী মপোক মখোয়না লোয়নরিবা নুপাশিংসি জাৎ জাৎনিকো। কবিনা পুথোক্লিবা ফিশিংদু য়েংই–খোঙ্গ্রাও ফুরিৎনি। মঙক অমুক নীরক হাই মালংদা ৱাদি ঙাঙদে, থনুংদা খল্লি হুম ঙসিদি উপাধি লৌবা নুমিৎনি। মৈতৈগী চৎনবীদা ফৈজোম পুময়াৎনা মচু তাগনি। পুথোক্লকউ হায়দে লোয়নবীদা। অলমিরা মমায় হাংদোকই, পুময়াৎ, ফৈজোম তনলৌ লৌথোক্লগা শেৎলি। ৱা ঙাঙনদে। নুপী অঙাংগা চৎলমদাইদা পেৎপা–পেৎপা ঙাঙলুরগা হোরেল ঙাঙগদবা ৱা ফরক তারক্কনি হায়দুনা। কবি চৎখ্রে। লোয়নবীনা মতুং ইঞ্জে কোন্থোং ফাওবা। হন্নকা ফাওবা য়েংলমদে মপুরোইবদু।

লোয়নবী য়েংদুনা লৈহৌরে। শাওবা ফাথরুরবা লোয়নবীগী থম্মোয়দু মশা মরেং অমুক ফন্দোক্লক্লে। করিনোনে মানা হন্দক তৌরক্লিবসিবু, চাক্তদি নৎত্রে, চাখ্রে। শাওবগী মীৎয়েংসু থোয়না উদে। কবিনিনা ৱাখল লোৎলিবা হায়বদুরা মমল কানবা অমরোমদনা ঐনা পুথোকপা ফি–রোল শেৎত্রিবসিনা করিগী। নহালমখৈ সাহিত্যগী থৌরম চৎপদা ফৈজোম পুময়াৎ অমুক্তা শেত্তে। ঙসিগী ফৈজোম পুময়াৎসি অর্থ য়াম্না লৈ। লোয়নবীনা পুথোকপা ফি–রোল ৱা অমত্তা ঙাঙদনা শেৎখিদবসি, নুপীদা ইকায়বা পীবনি। ফৈ, ঙসিদগী হে সৈত্য, ঐসু ৱা ঙাঙখ্ররোই, লাইরিক হৈত্রবসু কবিগী শাজৎ চৎলগে খঙগনি।

নুমিত্তু কবি য়ূমদা হল্লকপা থেঙলে উপাধি ফঙবগী অমগা অমগা খূৎ শোক্লরিঙৈদা কোকয়েৎ, সাইতেসন, লাইরিক, চে–চাং খরা য়াওরকপদু লুখুমগী কাংথোল নোঙাদা য়ানশিল্লি। মফি মরোলদুনা ফিয়ানখোক্তা চাউয়ান য়ানশিল্লি। চাক খরা চারগা নুংথিল চুপ্পা থৌরম য়াওরুবগী চোকথরদুনা তুমখ্রে। লোয়বীসু ৱা ঙাঙদবা হৌখ্রবনিনা কবিগী মফি মরোলদু শাওতক থুপচিল্লগা উপুদা গ্রোঙ, মখা তাদে ফমুংদা চঙখ্রে। অদুবু লোয়নবীদু ফনা কুইনা তুম্বদি য়াখিদে।

নোংঙাল্লে কবি হৌগৎলে। নুমিৎ হুম্নি পাঙথোক্কদবা থৌরমনিনা উপাধি ফঙবগা লাক্তে হায়নি হায়দুনা ঙসিসু অমুক চৎখ্রে। ঙসিদি ফৈজোম পুময়াৎ লিৎখিদ্রে। লোয়নবী ৱা ঙাংদবতনি কবিগী সেবাদি কায়দ্রি। নোংমা নীনি হৌখ্রে। নোংমগী নুংথিলদা লোয়নবীনা কবিনা নহান কাঙথোল নোংঙাদা য়াল্লম্বা খাওদু উরকই। নহালমখৈ চরাংনবা ৱাখলনা থোয়না য়েংশিল্লুবা তৌদে। ওন্থোক্লসু চেকশিন্না থম্লেদা খন্দুনা লৌথোক্লগা য়েংই। কোকয়েৎ ফিয়ান উই। ইপা পাখৎলি, মশা নিকই। খাউদা উপথরগা অমুক নিকই। লৈ পরেং অমা, চে–চাং খরা তারকই। লৈ পরেং উরুবদগী লোয়নবী স্বায় লাউই, ঙাইহাক ৱান্থে। জ্ঞান তারকপদা খল্লি, নহানগীদু সাহিত্যগী থৌরম নত্তেদনা, কন্যা কৎপগী থৌরমনিদনা। অদুনা ওইবা তাই ঙসি হূম্নি শুরে মানা চৎলিবসে। করিগীনো মানা ঐবু লাইরিক হৈতে হায়দুনা অসুক চাউনা নমথাক তৌবীরিসিবু। কবিসি মরিল লৈতেদা কন্যা কৎলবা নুপীবু য়ূমদা পুশিনবা ঙমদবা, কদায়দদি থল্লিগবা অশেংবাঅমত্তংদি খঙনিংখ্রেদা।

লৈকাইদুদা মহৌশা কবি চঙলম্বদগী লৈখায় তাখিদ্রবা কবি নহা অমা লৈ। লোয়নবীনা ময়ূমদা চৎলি। হংলুই। সাহিত্যগী থৌরমদা কোকয়েৎ য়াওব্রা? লৈ পরেং য়াওনব্রা? নহাদুনা খল্লগা লৈ পরেংদি খুদোল ওইনা য়াওনৈ, কোকয়েত্তি কদায়দগীনো হায়রগা পংনোক্তা নোকই। মাগী খূৎনোক্কু য়ূমগাই খূৎনোক্লি। শোয়দ্রে, খল্লগা লোয়নবী থীন্দনা ময়ূমদা হল্লকই। করিনো ৱাখল অমনিকো লোয়নবীদুসু খুদক্তা কেখৎলকই। মহৌশা ফজবনিনা কেথোক্লকপদা পকচৈ, য়েংবদা ইরাং থাংই, মচু তাই, মী ইনগদবা ফিশেৎনি।

কবিশিংগী ৱাখল অঙকপনি, অপুনবা অমনা কোইপু পুই–নোংমনা সধারন পূান্সিগী ৱাখল, নোংমনা অঙাও অফৈগী ৱাখল, নোংমনা মথন্তা নোকপা, কপ্পা শক্লোন য়াম্মী। ঙসিদি কবিদু নহানমখৈ খল্লুদ্রবা য়ূমগী পূক্লিং চঙলকই। করিগীনো ঐগী লোয়বীনা ঙসি মঙা তরুক্লিসি ঐঙোন্দা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাংদ্রিবসি। ঐনা সাহিত্যগী থবক চৎপসিদা শাওদুনা শীংনবা অমা য়াওরবজাৎলা। কবিদা শীংনরবদি মায়থিগেদনি কলম্না থাঙদগী হেন্না কল্লি খঙদ্রিমাল্লে।

ঙসিসু নুমদাংগী পুং তরেৎ তারে কবিনা হল্লকপসি। লোয়নবীনা কেরম্বদু উবদা কবি শাওনিংবা পুম্মাঙ মাঙখ্রে। মুণি, কবিশিংদি মহৌশানা ফজবদা ঙাওজে। ঙাওনা ঙাওনা কবিনা নোক্লগা হংই–‘কদায়দা চৎলুবগীনো অদুক কেনা লৈরম্লিবো।’ ওন্থোকপা ভাবনিদা লোয়নবীদু, কবিনা নোক্লিবদু করেম্নবনি খন্দুনা খুমদে।

অরেপ্পা লৈতে কবি, চাম্মরক হংই। লোয়নবী খূমদে। কবি শাওরক্লে। হন্নবা অমা য়াওদ্রবদি নুপা নুপী করম্না য়ূম্বানমিন্নগনি। লোয়নবীনা হন্থে। কবিদি হন্দে। মখা তাই– ‘করিগীনো নঙনা ঐঙোন্দা মুক্লিবা, ৱা ঙাঙদ্রিবা।’ লোয়নবীনা থম্মোয়দা ফূম্না হায়রকই–

–‘ঐ য়ূমদা থিনবিরো?’

–‘করি ননিং থুংদবগীনো?’ ঐদি নঙোন্দা করিসু অকায়বা তৌখিবা লৈতে।

লোয়নবীনা কপ্ন কপ্না নহানগী কোকয়েৎকা লৈ পরেংগা পুথোক্লককই। মদু য়েংল য়েংলগা খোঞ্জেল থোক্না হিক হিক কপ্লগা ‘মহাকপু পুশিনবিরক্লো। নুংতিগী মনাক্তা লৈরুগদবগী শরুক। নুংঙাইবিহৌরো, ঐবুদি য়ূমদা থিনবিরো।’

কবি জ্ঞান তারক্লে। কন্না নোক্লথোক্লক্লে। লোয়নবীবু মনাক্তা কৌশিনবিরে। থৌরমগী ৱারী শুগায়না তম্লে। লোয়নবীনা কবিবু হেন্না হেন্না নুংশিরক্লে ইকায় নুংশি চান্ননা মমীৎ তপ্না তপ্না পাঙথোক্লগা হায়রকই–‘লাইরিক হৈত্রবসু জ্ঞান লৈবীনি হায়না চৎচরম্বী ঐসি, সাহিত্য ভুষণগী কোকয়েৎ অসিমদি খঙলমদ্রি।’

## তাবুনুংদগী

*মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী খুনুং ঈশৈ লৈনবগুম মৈতৈ পাঙলশিংগীসু মরাং কায়না লৈ। পাঙলগী খুনুংশিং অসিগী মনুংদা পাঙল চনুশিংনা শক্নরম্বা ঈশৈ, পাঙল নুপাশিংনা শক্নরম্বা ঈশৈ, পাঙল ৱারী লীবশিংনা শক্নরম্বা ৱারীনচিংবা য়াওরি। পঙলনা মণিপুরদা নৌনা খুন্দারকপা মতমদা লৌ–শিং উবা হৌদোকখিবগী ৱারী মতাং শৈথাবা পাঙল ৱারী লীরবশিংনা শক্নরম্বা ঈশৈ অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### পাঙল ৱারী লীবশিংগী ঈশৈ

পোইরৈ মীতৈ লৈবাক্তা
পাঙলনা খুন্দা নৌরিঙৈ
অঙম্বৈ নাকোং য়ৌখিবা
ফৌথা–ফৌলিং ৱারীনি।
ইঙা থাগী থাখায়দা
পাঙলনা ইংখোল ’চাশিংনা
খালৈ–লৌবু লিংনবা
লৌহোল ফৌতিং হুল্লক্লে।
লোইমোম লৌহোলবু ওইননবা
পাঙলনা ফৌতিং হুনববু
পোইরৈচা খঙদবা কনানা
হায়নখিদো অদুঙৈ
“পাঙল থৌনাইদবনা
ফৌতিং পোৎমা হৈদোক্লগা
ফৌরু হুন্দুনা শান্নেদো।”

থাঙইনা খুবোম ৱাইরকপা কাল
খুবাম লাতম চিংদুনা
লৌহোল হারৈ শেম্বসু
পোইরৈচা ’য়াম লেমদনা
কুম্মৈ ওইনা য়েংনখি–
“মাঙলে মাঙলে লাউনখি,
অঙম্বৈ নাকোং য়ৌদুনা
লৈবাক ৱাথোক মওইখি।
ৱাথোক ওইবা থৌদোক্কী
ৱানীং ৱামাঙ তারগা
অসুম্না ৱারোইখি
“খঙদবগী হায়বনি,
থাঙই ফৌথা–ৱা
খালৈ লৌরিং ৱা।”

## মণিপুরী পাৎছে–পাউরৌ, পাউতাক

* **খূৎনাওবী নাম্মতগা পান্নবা।**
 – য়াম্না উশিত্তবা লায়না ঙম্বা থৌওং।
* **খূজিল মপান শাৎলবদি ইকায়বা নংই।**
 –অহলশিংনা ঙাংনবা থাজনবা ৱাফম।
* **খূৎশুমন য়েংনা থবক শুবা।**
 – পৈশাগী মতুং ইন্না কান্নগদবা য়েংলগা থবক শুবা।
* **খূদিংমক পৈশাগী ৱা ঙাক্তনি।**
 – পৈশানা তৌবা ঙমদবা থবক লৈতে।
* **খূদোংচাবা হায়বসি অনীরক ফঙদে।**
 – লাইবক ফবা তান চাবা হায়বসি মীওইবগী পূন্সিদা তোয়না ফঙদে।
* **খূদোংচাবা ফংলবদি সাধুসু হুরাল্লি।**
 – মী খূদিংমক তাঞ্জাবু ফংলবদি অচুম–অরান খঙদনা অরানবা থবক, মশাগী কান্ননবা তৌই।
* **খুরাইগী তু ফাওবা ফঙদবা।**
 – কৈশু লৈতনা মমল য়াওদবগী মওংদা হায়বা।
* **খূৎকী খুজিবু মিংশেলগী মথৌ লৈব্রা?**
 – ইশাগী অশোয়বদি মীনা হায়রকপা ঙাইদনা ইশানা চুমথোকচগদবনি।
* **খূবাক ময়িদগী হৌবা।**
 – য়াম্না লায়রবা ওইরম্বদগী লাইবক ফদুনা তেক্লি তেক্লি ইনাক খুল্লকপা।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

– য়ামখ্রবা লীপুননি তাইবঙসিদা, নুংশি লীপুনদি খ্বাইদগী ঙকই। উ চীকথেকপা ঙম্বা ৱাখোই (খোইমু অচৌবা) না থম্বাল লৈকা চীকথৎলগা থম্বালনা উমশিনখ্রবা মতমদা মনুংদগী খক থোক্তে।
– মচেৎ তানা ককথৎলবসু চন্দননা মনম থাদোকখিদে, অহল ওইদুনসু শামুনা মাগী হৈনবী মতৌদু থাদোক্তে, কোলুদা চপখায়রবসু চুনা থুম্বা তোক্তে, মতৌ অদুগুম্না চাওখৎপা অমসুং মপা–মপু চাউবা ইমুংগী মচাশিংনা মীওইবগী মওংদা খ্বাইদগী ফজনা হৈনবা উৎলি।
– মমানা পামজনা শেমগৎচবা মীওইবগী নহা ওইবগী মতমবু সংসারগী লাংদগী নান্থোকহনবীনবা তাইবঙ মপুগী মখোঙ থম্বালবু নীঙজদনা, স্বর্গগী থোঙ হাংদোকহন্নবা অফবা থবক্কী মহৈ ময়াম লৌহৌদনা অমসুং মপুং ফারবী যুবতীগী দেহগা মরী লৈনবা নুংঙাইবসু লৌদনা মশামক্না শীংজং পায়দুনা য়াম্থৎচৈ।
– লমচৎ লৈতবী অমনা নুংশিরে খল্লিবা মহাক (নুপা) অদু অপঙবনি। মরমদি নুপীনা নুপা অমখক্তবু নীঙবা তৌদে (মহাক্না কনাগুম্বগা ৱারী শাগনি, ইঙ্গিৎনা অমদা পীগনি অদুগা মবুক্তা অতোপ্পা অমা খনগনি। অসুম তৌবসি মখোয়গী মশাদা শাগোন্নরবা হৈনবীনি।)
– মশক মতৌ ফজরবী নুপী অমনা মহাকপু নুংশিরে খল্লিবা মহাক অদু অপঙবনি। মরমদি মহাক নুপীদুগী মফমদা শিকার ওইগনি, ৱাহোং মচাগুম্না জগোয় শাদুনা পেন্ননবা হোৎনরগনি।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৮১। খোঙবদা মশাগী মমিং পংপন্দা পঞ্জবা করি উচেক্লো?
৮২। খুবাক ময়াইদা পোম্বা লৈ, চাকচা মাঙদা লাইবক্তা, মায়দা শাৎপা লৈ, নুমিদাং ওঈরগনা কেনবা লৈ, শিংঙেল করি লৈনো?
৮৩। খরাওবীদা হাপ্লগা চীনখুবিদা থোরকপা করিনো?
৮৪। খ্বাংকোনবী / নম্বোনবী মমানা মচা লুকোকপীদা পাখোন শীখ্রগা শুকহন হল্লক্তবা করিনো?
৮৫। খোঙনা শোক্লগা লাইদা কৎপা (পোৎ) করিনো?
৮৬। খোইমুনা ঙংলিবমখৈ লৈ শাৎপা, শাৎলিবা লৈশিংদুসু মচু মখল মখলগী ওইবা য়াবা, খোইমুনা ঙংদ্রগা লৈশিংদু অমত্তা শাত্তবা করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (১০–০৫–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***
৭৭) শম্পোৎ খোয়বা, ৭৮) লৈ ৩, খোইমু ৪, ৭৯) নুপা অমনা অহনবদা জুরাদু অহানবা নুমিৎ ২০ নি তোংলগা তোক্কনি। অনীশুবা নুপানা অনীশুবা জুরাদু অহানবা নুমিৎ ১০ নি তোংলগা তোক্কনি। অহুমশুবা নুপানা অনীশুবা জুরাদু অকোনবা নুমিৎ ২০ নি তোংগনি, অনীশুবা নুপাদুনা অমুক অহানবা জুরাদু অকোনবগী নুমিৎ ১০ নি তোংনগনি, ৮০) শিংলিগী ঈচেল মরম / মখল অহুমগী মিংনি।

## নোক্লিং ৱারী পীকচ্রু

### মপুগীদমক

ভোটকী অকনবা এক্টিভ ৱার্করদগী শাইওল্লকপা ৱার্কর ঠিকাদার, সনাহল চঙলক্লগা লৱাইদা হেক্তা লাক্লে, “করিনো তামোনা তৌবিরি’সে।”

মিনিষ্টরনা তপ্না হংলকই, “কৈদৌরগে অদুক শাওনা লাক্লিদুবো?”

“কৈদৌরগেকাক হায়রদনা?” হায়রগা টেবলদুদা মখূত্তু না থিল্লদুনা মখা তারকই, “ঐনা শুবা থবক্তুগী বিল অতোপ্পদা কায়হনখ্রিসিবু করিনো?”

মিনিষ্টরনা নোক্লগা হায়রকই, “হায় অদুগীরো নঙনা অদুক শাওরিদুবো? ঙাইখো ঙাইখো। মদুগী থবক্তো ঐগী এক্টিভ ৱার্কর অমনা য়াম্না ৱানা তান্নজদুনা ৱার্ক ওর্দর লৌখিবা নৎত্রা? মদু নঙনা অমুক, নঙোন্দা পীদবা য়ারোই হায়দুনা কন্না তকশিল্লকপদগী হান্নগীদু ককথৎলগা নঙোন্দা পীখিদাইনে?”

সনাহলনা মাগী শাওফিংদু ইহন হন্দনা হায়রকই, “অদুদি তামোনা মায় পাক্ত্রিঙৈদা, ঐখোয়না হায়রিঙৈ তৌনি হায়না ৱাশকখিবদুদা তামোনা তামোগী ৱাশক ঙাকচখিবনি। হৌজিক ঐনা শাওরিসিদি, হায়রিবা থবক্তু ঐনা খরা শুরগা রন্নিং বিল লৌরগে হায়দুনা ঈ ঈগীদা চৎলুবদদি রন্নিং বিলদু, তামোনা মী অমদা কায়থোকহনবিখ্রে হায়বা খঙলকপনি।”

মিনিষ্টরনা করিসু থৌশাদনা হায়দোরকই, “ইহে, ঐগী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীনা হায়রিঙৈ য়ানি হায়না নখোয়না ঐবু মীখল মমাঙদা ৱাশকহনখিদনা? মদুগী অরাংফমদুফাও নশানা ওইখিবা নৎত্রো? অদুনা, ঐগী ৱাশক্কু ঙাকপা ওইনা, নঙ নত্তবা অতোপ্পা অমনা অমুক রন্নিং বিলদুদং পীবিয়ু হায়দুদা ঐনা ঐগী ৱাশক ঙাকখিবনিনে। সিবু ঐগী ইরানলো?’

*–নবকুমার নোংমৈকাপ্পম*

## শৈরেং

### নুংশিবনা মরুনি

*– জয়কুমার তখেল্লম্বম*

ইকাইবা খঙমন্দে
হনবা লৈতে নঙদি,
নপীজ লৈত্রবসু
মীওইবগী কয়াৎনুংদা
শৈদাংলি, শান্নফম ওইরি।
ইপিথেলিয়মগী পারবা
খৌরিগী শেলনি।
নক্লরুবদা চোংশিল্লি উঙমদনা
হার্ট, শিংলি উতোংনুংদা
অরাম খৌরাং কোক্লবদা
জগোয় খূৎথেক্না তেমশিংনরি।
লাইহৌ, লোক খুবনচিংবা
মীওইবগী কথোক্লবা সেবাদা
ডাক্তর, নর্স, পাউমী,
মীওই লাক্ষ অনী হেনখ্রে
অরোয়বা য়াহিপ। নঙগী লাংদা থুখরে।
লৈবাক খূদিং।
মপুখৌ ভীস্মগী মৃতু স্বর
অর্জ্জুননা ফংলবদা
মহাভারত লান লোয়শিনখি।
নঙগী হাইড্রোক্সিক্লোক্নিনচিংবা
মীতারুরনু অতোপ্পা জীবশিংদা।
মীৎকুপকী লৈরাংগুম মফজৈ
অদুবু নঙদি মীহাৎপিনি
কাউঙম্নরোই মীওইবনা
নঙগী শাজৎ, কোভিদ–১৯
লুরিবদি অমুবা ফিজংদা লোৎপগুম
চাইনাগী ৱুহান বাইওলোজি লেবতা
ভাইরস লীশিং ১৫০০ হেন্না লৈ।
মীওইবা জাতি চাউখৎনবগী
থিজিনবনি হায়।
অৱাবদা অৱাবা মীওইবদা।
ইরান নরান থিনরি।
হাৎনরি, শিনরি লেপ্তনা
লিবিয়া, সিরিয়া, য়েমেন,
ইন্দিয়া পাকিস্থান্নচিংবা।
ন্যুক্লিয়ার চাংয়েংনরি।
চেন্নরিবা ঈ মত্তনি।
নুংশিনবনা শান্তি লৈ, চাউখৎলি।
পূন্সি কনবনা মরু ওই।
লাম্থেংমিন্নরসি লোকাদউন কাঙলোন্না
মুখৎমিন্নরসি অপুনবা শক্তিনা
মালেমদগী কোভিদ–১৯
নুংশিনবনা মরুনি।

### লোক্তাক পাৎকী ইতৈমা

*কেবি ইঙারেম্বা*

শজিবু থানুংদা শিৎপা লোয়হৌদ্রমাল্লে
য়েন্নিংথাগী মালহৌনরা নুংওল থাসিদা
অমুক শিৎপদা লোয়শিল্লগে খনবা নুংশিৎকুম,
মালংবা নুংশিত্তুনা অৱা পোৎলুম পীরুগদ্রা ৱায়
হিরুবাক্তা ফমদুনা কল্লবা নুংশিৎপু মায়োক্লরিবী
লোক্তাক পাৎকী ইতৈমা থম্বালদা ।
য়াম্না নহাশু নৎত্রে, চহী য়ামশিনখ্রবীসু ওইদ্রি
য়েংবদা মাল্লি য়ান্নবদা চহী ৪৫ গী মায়।
নুংশাসু খংয়াক য়াকই, নুংশিৎসু খংশিৎ শিৎলি
তোংলিবা হিদুসু নুংশিৎনা মায়কৈ খঙদা পুই,
ৱানা খাঙই থম্বাল মখা চিক্তু না হিরুবাক্তা।
হংগামমপাল মচুগী কোকশেৎ মচি’দুনা
তুমতক তৌবা নাতোন নাকচিগী হুমাং তৈথোক্লি,
পবাননা তোঙ্গানরবী সবান’দুদা
মঙাও থিরবা মালংবা নুংশিৎনা
ঙাথু থেংথু শান্নরিবদু তৌহন্নিংদে।
খল্লি হে মালংবা নঙসে নুংশিহৈতেদা,
নোংমগী চারা তাল্লিবীসে ওৎকে য়াওনা ওৎলিবরা?
কোইরাওনবী মীৎস্না অনীদুনা মপুং ফানা
মুন্না য়েংঙমদ্রে মাগী ঈলগী পৌরা।
খুকউ অনীদু কন্না চপশিন্দুনা খাঙই,
ঈলগী পৌরা নুংশিৎনা হুমখিদনবা
মদুমক্তদা ওৎপদা মতেং পাংলি
শংবান্রবা ঈপাক্তু গী ঈথক ঈপোম্না
ওন্থোক্না ৱানা লৈহৌখিবনি নুমিত্তো
লোক্তাক পাৎকী ইতৈমা।

### য়ারোই

*কান্তা মৈরালাকপম*

কংলাদা প্রজাশিংনা
লৈবা য়ারোই
সরকারগী ওফিসসু
শাবা য়ারোই।
ঐ কংলাদা পোকপা
নিংথৌ মচানি
বাবাগী মিং
পুথিবা কৌই।
ঐসু বাবাসু
নুপী ইজ্জৎ মাঙহনবা
থিংবদগী রেপিষ্ট
সি এম ওইরম্বা
মাইরেম্বম কোইরেংনা
নিংথৌ ফম লৌথোক্লগা
কংলাদা লৈহন্দবনি।

### ফিজং

*– রাজকুমারী মীনা*

খঙহৌদনা খঞ্জিল্লিবা ফিজংদুনা
নঙনা ঙাকচরকখিবা লীক্লমশিং,
তাম্থা নাইবা নিংথিরবা খোম্থাংগুম,
থম্মোয়দা খল্লিবশিং অদুবু
ফাওহন্দবা ঙম্নগদ্রা মতম পূম্বগী?

ফিজংদুনা খঞ্জিন্দ্রবসু থম্মোয়বু
ফাজিনবা ঙম্নবদি অচেৎপা পুকচেলদুনা
পরৈ নায়না য়েত্তু না লৈরক্লিবা লীক্লমশিং
পুমহাং হাংলবা কাদুদগী হেন্দোক্ত্রবদা
অকায়বা পীবা ঙমগদ্রা ঋতু মাগী খোঙচত্তা?

ইংনা চীক্লা পূক্লিং ফাজিন্দুনা লৈরবদবু
কান্নবা লৈখিগদ্রা খঞ্জিল্লিবা ফিজংদুগী!
অমুক কাখৎপা ঙম্নরোইদবা খোঙচৎলা
পুংমুৎ মুখৎপগী লম্বীদুদা চৎলিবদুবু
অমুক্তংদি তুং হন্না য়েংবিরমখো।

বসন্ত লাক্লবদি ময়েক শেংনা খঙগনি
ক্কাক্না কনানো, কোকিলনা করম্বনো
পান্না লেঙদনা মঙ্গ্রানা লেঙবা হৌনদে
হাংদোক্লসি ইতিহাসকী পাদমশিং
অকনবা শাফুগী অকিবা চৈনাশিং লাক্ত্রিঙৈ।

### ৱাখলগী চৈনা মরক্তা

*তবানু খুরাইজম*

ৱাখলগী চৈনা মরক্তা লাক্লি তত্তনা পূক্লিংদা
চেকশিনহৌদনা মতমসিদা হুমদুনা লৈরম্বা ৱামৈনা
মৈখু কানা মৈরিলক
খাঙবা ঙম্লোই মৈশাদো।

পূন্সি লম্বী খোঙচত্তা লাক্লে মৈশা ইপামগী
লমগী ষণ চিশাংবগী থৌরী কোঙ্গোইনা হুক্লক্লে
মোগী শুক্ষৎ খোঞ্জেলদা নুংশিবা কাউরক্লে ইশাগী
থৱায় হকচাং পঙথরে ৱাখলগী চৈনা মরক্তা।

লম্লানগী নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদুনা পুদ্রিঙৈ হকচাংশিং
থৌনা লিংজেন্না থিংহৌসি পূক্লিংগী অৱাবা কোক্লবা
তিঙ্খাং তুম্বৌ চেগাইদা চৎ, ঈহিং শারবসু ইখোঙশিং
খাঙবগী পাঙ্গল চেৎনা থমসি, কল্লকপনা লম্বী মাঙদ্রিঙৈ।

লৌশিং লৈবা মীওইবা অরাং পুরেল ওইরিবা
লাইরবী থৌদোক পোফম্নি হৈনা শিংনা শিনীবয়ু
কর্ম্ম পোথাফম কায়হনবীনু ৱাখলগী চৈনা মরক্তা।